সিক্যুরিটি ফোর্সনা মাওইষ্ট ৪ হাৎখ্রে

বিজাপুর, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
ছটিসগরগী বিজাপুর দিষ্টিক্টতা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা চথখিবা অখন্নবা ওপরেসন অমদা মাওইষ্ট ৪ হাৎপা ঙমখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবদা মিরতুর পুলিস ষ্টেসননা কোনবা পোমারা ভিলেজ মনাক নক্লা লৈবা উমং অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এন্টি মাওইষ্ট ওপরেসন অমা চথখি। ওপরেসন অদুদা দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্দ, স্পিসিএল টাক্স ফোর্স অমসুং সেন্ট্রেল রিভার্ব পুলিস ফোর্সকী পর্সনলশিংনা শরুক য়াখি। পোমারা ভিলেজকী অকোয়বদা মাওইষ্টকী খুৎলায় পায়বা কেদর ৪০ রোম এক্টিভ ওইনা থবক তৌদুনা লৈরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং ওপরেসন অদু চথখিবনি। পোমারা ভিলেজগী মনাক নক্লা লৈবা উমং অদুদা চথখিবা ওপরেসন অদুদা হান্নদা মফম অদুদা লৈরম্বা লালহৌবশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্স তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগীসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। মিনিট ২০ লোম খুৎ থোক্ন রবা মতুং লালহৌবশিং অদু মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখি। থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা য়েংলুবা মতমদা মাওইষ্ট পর্সনল ৪ শিদুনা লৈরম্বা থেংনখিবনি। মখোয় অদুগী মনুংদা অনীদি নুপীনি। মফমদুদা .৩০৩ রাইফল অমা অমসুং ৩১৫ বোর রাইফল অমসুং থেংনখি হায়রি।

ফজদবা মওংদা থবক তৌবগীদমক হান্নগী কোংগ্রেস এম এল এ ফারে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
মরী লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা লম্বীদা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা লাউ খোঙলম্বা অমদি দেল্লি পুলিসতা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নখিবা কোংগ্রেসকী হান্নগী এম এল এ অসিফ মুহমদ খান ফারে হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা ইলেক্সন কম্মিসনদগী অয়াবা য়াওদনা অসিফ খানন তায়প মসজিদ মনাক্তা মীয়াম খোমজিন্দুনা অমদি লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্লমখি। পুলিসনা পেট্রোলিং চৎপদা থৌদোক অদু উবদগী দেল্লি পুলিসকী কন্সটেবল অমনা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদনবা হায়জখি। কন্সটেবল অদুনা মফম অদুদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অদুগী অয়াবা হান্না ইলেক্সন কম্মিসনদগী লৌরক্লবরা হঙখি। অদুবু মদুগী পাউখুম পীবগী মহুত্তা হান্নগী এম এল এ অসিনা পুলিস কন্সটেবল অসিগী মথক্তা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা কয়া শীজিন্নরকখিবগা লোয়ননা মশা পায়দুনা ইনখিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা হান্নগী এম এল এ অসিফকী মথক্তা সাহিন বাঘ পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা থিগৎপগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।

লৈঙাক্লা লৌমীশিংগী দিমান্দ পীথোক্তবগী মায়োক্তা লৈবাক শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিনগদৌরি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
লৌমী মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা ফার্ম লো ৩ গী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনখ্রবা মতুং মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফার্ম লো অহুম রিপিল তৌরে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা লৌমীশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিং পীথোক্লগনি হায়না থাজবা পীখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোরক্তবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা লৈবাক শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

লৌমীশিংনা লৈবাক শীনবা থুংনা চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অসিদা সেন্টরনা মখোয়দা পীখিবা থাজবশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা দিমান্দ তৌবগা লোয়ননা লৌমীশিংগী ফংফম থোকপা রাইটশিং মতম চানা ফংহন্নবা তকশিনগনি হায়না লৌমী লুচিংবশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লৌমী লুচিংবশিংনা ফোঙদোরকখিগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী লৌমীশিংদা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস ফংহন্নবা অখন্নবা লো অমা শেম্লগনি হায়না অইবা ওইনা সেন্টরনা পীরকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি। ফার্ম লো ৩ গী মায়োক্তা পঞ্জাব, হরিয়ানা অমসুং ৱেষ্টর্ন উট্টর প্রদেশতগী নম্লা লাকখিবা লৈবাক অসিগী লৌমী লিশিং কয়ানা দেল্লি ঙমখৈগী শরুক্তা চহী অমরোম হেন্না খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখি। খোঙজং অদুদা লৌমী লিশিং অমরোম হেনবগী পুন্সি মাঙখি। মদুগী মতুং মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফার্ম লো ৩ রিপিল তৌরে হায়না লাউথোকখিবনি। ফার্ম লো ৩ রিপিল তৌখিবা অমদি এম এস পিগী মতাংদা থাজবশিং পীরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা লৌমীশিংগী ওইবা খোঙজংসু হন্দোকখিবনি। খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংদা সেন্টরনা অইবা চেরোল পীদুনা খঙহল্লখিবা ৱাফম ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরিবা অসিনা তাকপদি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসি লৈবাক অসিগী লৌমীশিংদা ওইদবা ঙাংবা লৈঙাক্লি হায়বনি। মখোয়না লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা শাউনবা মতম পুম্বদা হোৎনদুনা লাক্লি হায়রি। সমযুক্তা কিষান মোর্চাগী লুচিংবা হনন মোলাহনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংগী খোঞ্জেল তানবা হোৎনদ্রি। মরম অদুনা ঐখোয়না অনৌবা খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি। দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা খোঙজং হন্দোক্লোয় হায়রি।

লম্বীদা এম্বুলেন্স থাও লোয়থোকখিবদগী অনাবা অমা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে

বনস্বারা, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী):
তাবদা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা ওইনা রাজস্থানগী বনস্বারা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি অনাবা পুদুনা লাকখিবা এম্বুলেন্স অমা হোস্পিটাল চৎপগী লম্বীদা থাও লোয়থোকখ্রবা মতুং অনাবা অমা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা অনাবা অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না লম্বীদা এম্বুলেন্স থাও লোয়থোকখিবদগী থাও হাপ্পবা হোৎনরিঙৈদা অরেম্বদা মতম য়াম্না মাঙখি। মদুনা মরম ওইরগা হোস্পিটাল য়ৌবদা থেংথখিবনা মরম ওইরগা অনাবা অদু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মরী লৈনবশিং লৈঙাক্লা চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি। অমদি লৈখিদ্রবগী ইমুংদা কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়রি।

বনস্বারগী চীফ মেদিকেল এন্দ হেল্থ ওফিসর ডা. বি পি ভরমানা লাইবক থিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়না মীয়াম মমাঙদা ফোঙদোকখ্রে। অমরোমদা, ষ্টেট ফুদ সিভিল সপ্লাইস এন্দ কঞ্জুমর এফেয়র্স মিনিষ্টর প্রটাব কচারিয়ানা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা চপ চাবা এক্সনশিং লৌখৎকনি। থৌদোক অসি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবা থৌদোক অমনি। থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইগী ইমুং মনুংগা উন্নদুনা অথুবা মতমদা ৱারী শান্নরগনি। অমদি মখোয়না এম্বুলেন্স তোংদুনা হোস্পিটালদা লাকপা মতমদা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী করি অশোয়বা লৈখিবগে হায়বদু য়েংশিনগনি। হোস্পিটালগী মায়কৈদগীদি থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে। অদুবু থৌদোক অসিগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী লৈঙাক্লা শোয়বদগীনি হায়না ফোঙদোক্ল রক্লিবা ৱাফমশিং অসি লাইবক থিবনি। লৈরিবা লৈঙাক অসিনা প্রাইভেট হোস্পিটাল ফাওবদা অনাবশিং লেম্না লায়েংহল্লি। ঙসি অনাবা পুরকপদা থাও লোয়থোকখ্রিবা এম্বুলেন্স অদু প্রাইভেট এম্বুলেন্সনি। মরম অদুনা মসি হেল্থ ক্যের সিষ্টেমগা মরী লৈনদে। অদুম ওইনমক লৌখৎফম থোকপা এক্সনদি লৌখৎকনি হায়রি।

লম্বী ফত্তবদগী কোংগ্রেস লুচিংবা দিগবিজয়া তুশিনখিবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লি

মনিহার, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা শরুক য়াদুনা লাক্লিবা সিনিয়ন কোংগ্রেস লিদর দিগবিজয়া সিংহ ঙসি মধ্য প্রদেশকী মনুংচনবা খারগোনি দিষ্ট্রিক্টতা খোঙচৎ চৎলিঙৈ মনুংদা খঙহৌদনা তুরকপদগী কোংগ্রেস থৌমী কয়ানা চেনশিন্নদুনা লুচিংবা অসিবু তেক্তো কায়দনা হৌগৎপীখি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা তুশিনখিবা অদু লম্বী ফত্তবননি হায়না কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী ক্লেম তৌরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী মিদিয়া ইনচার্জ জয়রাম রামেসনা ফোঙদোকখিবদা খোঙচৎ অসি হৌরকপদগী কোংগ্রেস লুচিংবা দিগবিজয়া সিংহনা লম্বীদা তুশিনবগী থৌদোক ৪ রক থোকখ্রে। মধ্য প্রদেশতা ঙসি কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা তুশিনখিবা অসিদি লম্বী ফত্তবননি। মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর সিবরাজ সিংহ চৌহাননা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লম্বীশিংনা ৱাসিংটন দি সীদা লৈরিবা লম্বীশিংদগী হেন্না ফৈ হায়না ক্লেম তৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু ষ্টেট অসিগী ওইরিবা লম্বীগী ফীভম খুদোংথিনিংঙাইনি। চৎপা মতমদা মখাদা য়েংলগা চক্রবদি খুদোংথিবা থোকপা য়াই হায়রি।

ইলেক্সন পাঙথোকখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা মমতা বেনর্জিনা ষ্টেট বি জে পিগী লুচিংবা সুভেন্দু অধিকারিগা উন্নখ্রে

কোলকাটা, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
মমাঙ চহীদা ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোকখ্রবা মতুং বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা অহানবা ওইনা ওপোজিসনগী লিদরসু ওইরিবা বি জে পিগী লুচিংবা সুভেন্দু অধিকারিগা উন্নদুনা পোলিটিকেল কনফ্লিক্টশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০২০ দগী মমতা বেনর্জি অমসুং সুভেন্দু অধিকারি অনীগী মরক্তা ৱাখল্লোন মান্নদবা কয়া লাকপদগী ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী সিনিয়ন লিদর অধিকারি পার্টি অসিদগী তোল্লবা মতুং বি জে পিদা য়াওখিবনি। মখোয় অনী উন্নখিবা অদুদা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াগী মতাংদা খন্নখিবগা লোয়ননা কন্সটিট্যুসন দেগী প্রোগ্রামদা শীল্লিবা কাঙবুশিংনা প্রোগ্রাম অদুগী ইনভাইটেসনদা মহাক্কী মমিং য়াওহল্লকখিদবা অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা প্রোগ্রাম অদু বোইকোট তৌগনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী সুপ্রিমোসু ওইরিবী ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখিবদা সুভেন্দু অধিকারি বি জে পিদা য়াওখ্রবসু মহাক ঐগীদি য়াম্না নক্লবা মীওই অমা ওইনা খল্লি। মহাকপু চা থক্লবা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা কৌখিবনি। ইচম চম্না মহাক্কা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শাবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, বি জে পি লুচিংবা সুভেন্দু অধিকারিনা মমতা বেনজিগী ৱাফম অদুবু রিএক্ট তৌরকখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকক্লিবা ৱাফমশিং অদু মহাক্কী মরন্নাই ওইবা ৱাফম ঙাক্তনি। মসিদা মীয়াম্না কা হেন্না খনজিল্লুবগী মথৌ তাদে। মরমদি ঐ চা থক্তে হায়রি।

কোংগ্রেস লুচিংবা কামুজান চৌধুরিনা মখোয় অনীগী অৱাই অখুম অদুবু করেম্নবগা লোয়ননা দিদি অমসুং মোদি পুনশিনবা হৌরে হায়রি।

গুজরাটকী মীয়াম্না বি জে পিদগী এ এ পিদা হেন্না থাজবা থম্লকপনা চাওনা মায় পাকপা ঙম্লগনি ঃ ইসুদান গাধভি

খম্বালিয়া, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
গুজরাটতা কোংগ্রেসনা মতম শাংনা লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা অদুদা মীয়াম্না অপেনবা পোল্লক্তবদগী বি জে পিদা অমুক হন্না মীয়াম্না পৱার শীন্নখিবনি। অদুবু চহী ২৫ রোম লৈঙাক পায়রক্লবা বি জে পিনা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা খঙনা থবক তৌরক্তবদগী ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস লুচিংবশিংদা থাজবা থম্বগী মহুত্তা এ এ পিদা হেন্না মিৎয়েং চঙলক্লি হায়না গুজরাট এ এ পিগী চীফ মিনিষ্ট্রিয়েল কেন্দিনেট ইসুদান গাধভিনা ফোঙদোরক্লি।

জরনেলিষ্ট ওইরম্বদগী পোলিটিক্সতা খোঙদারকখ্রবা ইসুদাননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক গুজরাটকী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীয়াম্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগীদমক কা হেন্না খনবা তৌরোই। মরমদি মহাক লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা অদুম্মক লেঙদনা লৈগনি। অদুবু ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা বি জে পিগী লুচিংবশিং অসিদা মীয়াম্না থাজবা থমদ্রে। মরম অদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না এ এ পিদা অহেনবা মিৎয়েং থম্নরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা এ এ পিনা মীখলদা চাওনা মায় পাকপগা লোয়ননা মীয়াম্না য়াবা লৈঙাক অমা শোয়দনা শেম্বা ঙম্লগনি হায়রি। অমরোমদা, ক্রিটিক্স খরনা ফোঙদোরকখিবদা ইসুদান লাম্মী য়াওদবা জেনরেল অমগুম্বনি হায়রি।

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী এক্টিভ কেস মশিং ৬,৪৮০ দা হন্থখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৪৯৮ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৪ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৪৯৮ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৭২,৩০৪ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৬৪৮০ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৪ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৬০৮ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি।

কন্সটিট্যুসনগী রাইটশিংদা নত্তনা ঐখোয়না...

লামায় ১গী মখা... লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি। মরম অসিনা ঐখোয় পুম্নমক লৈবাক অসিগী সিটিজন অমা ওইনা কন্সটিট্যুসননা ঐখোয়দা পীরিবা রাইটশিং খক্তা নত্তনা ঐখোয়না পাঙথোক্কদবা দ্যুটিসু মশক খঙগদবনি হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না কন্সটিট্যুসননা লৈবাক অসিগী সিটিজনশিংদা পীবা ৱাশক লৌমিন্নখি অদুগা ঐখোয় পুম্নমক্লা অমত্তা ওইনা মণিপুর অমসুং লৈবাক অসিবু চাওখৎহন্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়খি।

থৌরমগী খুদোংচাবা লৌরদুনা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মশাগী চহী ৫০গী মখাদা লৈবা মীওইশিংদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপ ৭কী লোলশিং তম্নবগী নোটিস থোকখিবা লৈখ্রে। থৌরাং অসি মণিপুর লৈঙাক্লা ফুরুপ মশেল অমত্তা ওইমিন্নহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎলকনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরমদা এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজম, লো কম্মিস্নর নুংশিতোম্বী অথোকপম, প্রোজিক্যুসনগী দিরেক্টর এ নিলচন্দ্র, গভর্ণমেন্ট এদভোকেট আর কে উমাকান্ত, ওল মণিপুর বার এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট পি তোমচা মীতৈ অমসুং ওল মণিপুর লেদি এদভোকেটকী প্রসিদেন্ট সী ঐচ কিরনবলানচিংবনা শরুক য়াখি।

দিজিটেল রেভল্যুসন মায় পাক্লবা মতমদা হেন্না চাওখৎপা...

*লামায় ১গী মখা...*ওইনবা হোৎনবদা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা অফবা মরী থম্বগী তঙাইফদবসু লৈ।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিং অসি এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী ওইনদি য়াম্না মরু ওইবা শরুকশিংনি। হায়রিবা ষ্টেটশিং অসি তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগা লোন্নদুনা লৈরি। মরম অদুনা ষ্টেটশিং অসিগী লম্বী থোং অমদি তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংসু শেমগৎ শাগৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ৱর্ল্ড লার্জেস ইকোনোমিগী মনুংদা ইন্দিয়ানা ৫ শুবদা লৈরি। কোভিদ-১৯ পেন্দামিকনা চহী ২ রোম মালেমগী লৈবাক কয়াদা খম থেংনা অৱাবা তাহনখি। মতম অদুদা ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্তা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন লেম্না কাপথোকখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা লৈবাকশিংদসু মতেং পাংবা ঙমখি। কোভিদ-১৯ গী অৱাবা চৈথেং মরক্তা যুক্রেন ৱারনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। অদুবু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মিৎয়েং মখাদা যুক্রেনদা লৈরিবা ইন্দিয়ন খুদিংমক তেক্তা কায়দনা লৈবাক অসিদা পুরকখি। অদুবু লাইবক থিবদি ইন্দিয়ন অমখক্তি যুক্রেন ৱারদা শিখি হায়রি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিংদগী লাকখিবা মহৈরোয় অমদি ওজাশিং মিনিষ্টর জয়সঙ্করগী মরক্তা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি। প্রোগ্রামদুগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হৌজিক হৌজিক মহৈ তম্লিবী ম্যান্মারদগী মহৈরোয় অমনা মখোয়গী লৈবাক্তা থোক্লিবা মিলিটরি কনফ্লিক্ট অদুগী মতাংদা ইন্দিয়ানা করি করম্বা মতেং পাংবা য়াবগে হায়না হঙখি। অদুবু মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীবগী মহুত্তা য়াম্না দিপ্লোমেটিক ওইনা মরমদা করিগুম্বা হীরম অসিগী মতাংদা মতেং পাল্লবদি মহাক্লা তম্লিবা য়ুনিভর্সিটি অদুগী খুথাংদা খঙহল্লকপা য়াগনি। অদুম ওইনমক মহাক্লা হঙলকখিবা ৱাহং অদুগী পাউখুম ঙসিগী থৌরম অদুদা পীবদা মতাং চাদে হায়না খুমখি। অমরোমদা, অফ্রিকাদগী লাকখিবা মহৈরোয় অমনা হঙখিবা ইন্দিয়ানা অফ্রিকা লৈবাকশিংগীদমক করি মতেং তৌবা য়াবগে হায়বা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর জয়সঙ্করনা ফোঙদোকখিবদা অফ্রিকাগী লৈবাকশিংনা মখোয়না পাম্লিবা অমদি তৌহন্নিংলিবা থবক থৌরমশিং অদু হান্না খঙহল্লক্লবা মতুং ইন্দিয়ানা মদুগী মতাংদা মতেং পাংনবা খোঙথাং লৌখৎকদবনি হায়খি। ঙসিগী ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা এক্ট ইষ্ট পোলিসিনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা করম্বা মখলগী কান্নবা পীগদগে হায়বা ৱাহং কয়াসু হঙনরকখি।

এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর ডা. এস জয়সঙ্করনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট এক্সটর্নেল এফেয়র্স এন্দ এদ্যুকেসন ডা. আর কে রঞ্জন, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর টি ঐচ বসন্তকুমার, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেলর প্রো. এল লোকেন্দ্র, কম্মিসনর হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন ঐচ জ্ঞানপ্রকাস আই এ এস অমসুং দিরেক্টর হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোম আই এ এসশু দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

'কোংগ্রেসনা মপাঙ্গল থোক্লা থবক তৌদবদগী বি জে পিনা পৱার পায়খিবনি'

কুটচ, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
গুজরাটতা মতম শাংনা বি জে পিনা পৱার পায়দুনা লৈবা ঙল্লিবা অসি কোংগ্রেসনা মপাঙ্গল থোক্লা থবক তৌবা ঙমদবা অমদি কোংগ্রেস মনুংগী ওইবা পোলিসিদা অশোয়বা কয়া লৈবননি হায়না ওল ইন্দিয়া মজলিষ্ট-ঈ- ইটেহাদুল মুস্লিমিন (এ আই এম আই এম) গী লুচিংবা অসদউদ্দিন ওৱাইসিনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনদা মহাক্কী পার্টিনা কোংগ্রেসতগী খাইদোরকপা ভোট খক্তমক ঙাইদুনা লৈরি হায়বা বি জে পিগী ৱাফম অদুবুসু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ অমদি মেরাওলি মর্দর কেসকা মরী লৈননা ৱাফম কয়া ইলেক্সন কেম্পেইনদা পুথোক্তুনা এন্টি মুস্লিম নেরেটিভ অমা শাগৎনবা হোৎনরি। বি জে পিনা এ আই এম আই এমগী মথক্তা যুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া শীরক্লিঙৈ মরক অসিদা কোংগ্রেসনসু মহাক্কী পার্টিদা ফজ দবা ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা চৈবগী থৌওং চথরক্লি। গুজরাটতা বি জে পিনা চহী ২৭ লৈঙাক পায়দুনা লাকখ্রে। অদুগা কোংগ্রেসনা চহী ২৭ ওপোজিসনদা লৈদুনা লাক্লি। হৌখিবা চহী দিকেদ ৩ অসিদা কোংগ্রেসনা বি জে পি মায়থিবা পীবা ঙমদনা লাক্লিবা অসিগী মরম হান্না থিদোক্কদবনি। কোংগ্রেসনা আম আদমি পার্টি অমসুং এ আই এম আই এমবু বি জে পিগী বি-টিমশিংনি হায়না হন্দুনা ঙাংলি। অদুবু মসিদা কোংগ্রেসনা খঙজিনগদবদি ঐখোয় কনাগুম্বা অমত্তগী মতেং লৌরগা ইলেক্সন লম্বা তৌরোই। মহাক্কী পার্টিগী পান্দমদি বি জে পি মায়থিবা পীনবা হোৎনবনি। মসি নত্তনা মহাক্কী পার্টিগী ওইবা অতোপ্পা পান্দম লৈতে। মহাক্কী পার্টিনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা সিট ১৮২ লৈবা গুজরাট এসেমব্লি মীখলদা সিট ১৩ খক্তদা লম্বা তৌনগনি। লেমহৌরিবা সিট ১৬৯ দা কোংগ্রেসনা মায় পাক্তুনা লৈঙাক শেমখিবা মতমদা অকায়বা লৈতে। অদুবু হায়রিবা অসি কোংগ্রেসনা ঙল্লোই। মরমদি কোংগ্রেস মথৌনা য়াওদবা মীওই কয়ানা লুচিংলগা লৈরকপা মতম কুইরে। চহী ২৭ ওপোজিসনদা লৈরক্লবা ফাওবদা বি জে পি মায়থিবা পীবা ঙমদবা হায়বসি অঙকপা পোকই। হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদসু কোংগ্রেসনা মতিং থোক্লা থবক তৌদ্রবদি অদুম্মক মায়থিবা নঙগনি হায়রি।

অফবা লৈঙাক পাম্লবদি এ এ পিদা ভোট থাদবীয়ু

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
গুজরাটতা মথং থাগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাঙওইননা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইনা রেল্লি অমদা ৱা ঙাংলদুনা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখিবদা যু পিগী চীফ মিনিষ্টর জোগি অদিত্যনাথনা মহাকপু লালহৌবশিংগী সিম্পেথাইজরনি হায়না মরাল শীরি। অতোপ্পদা যুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া শিবগী হৈনবগী লৈবা মীওইশিংনা লুচিংবা লৈঙাক পাম্লবদি বি জে পিদা ভোট পীবদা অকায়বা লৈতে। অদুম ওইনমক মীয়াম্না য়াবা অফবা লৈঙাক অমা পাম্লবদি এ এ পিদা ভোট পীনবীয়ু হায়না দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা আম আদমি পার্টিগী নেসনল কনভিনর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিদা অফবা স্কুল, অফবা হোস্পিটাল, অফবা লম্বী থোং, মৈ চাং নায়না ফংহনবা অমদি থক্লবা অফবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহনবা ঙমগদৌবা পার্টিদি এ এ পি খক্তনি। বি জে পি অমদি কোংগ্রেসনা কৈদৌনুংদা মীয়ামগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরোই হায়রি।